# ঙসি ঐনা ইশাবু খঙজনা হিংবা ঙমজরিবসি থাঙ শান্নজরকপগী মপান্দগীনি ঃ গাইজিল্লু গোলমৈ

**মার্সেল আর্টসতা মীৎয়েং অমা** রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

ইম্ফাল, জানুৱারি ৮ ঃ

ঙসিদি কবুই নুপী মরক্তগী তোমথিন ওইনা থোরকখিবী মার্সেল আর্টসতা থোইদোক্লা খোইদারকখিবী শান্নরোয় অমগী মপাউ তমজগে, কুমজা ১৯৮০ গী মার্চ ২০ দা কৈশামথোং কবুই কোলোনিদা লৈবা অঙৌপা গোলমৈ অমদি অমুপী গোলমৈগী অনীশুবী মচানুপী ওইনা (মচিন মনাও নুপী অহুম নুপা অমা) গাইজিল্লু গোলমৈ তাইবঙদা খোঙদারকখি।

করম্না থাঙ শান্নরকখিবগে হায়বগী মতাংদা অহানবা ওইনা গাইজিল্লুনা অসুম্না পাউদম্বীরকখি ঐহাকসি অঙাং ওইরিঙৈদগী কাউন-খোৎনবসি য়াম্না পামজরকখি। থাঙ শান্নরকখিবসিদি ৱারী অমনি। কুমজা ১৯৯৮ দা ঐহাক মোর্দন কোলেজদা পী য়ু তম্লে। মতমদুদা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা ফিফ নেসনেল গেমসকা মরী লৈননা মার্সেল আর্টস অমদি জগোয় শানিংবা মী কনা কনা লৈবগে হায়দুনা ওজা খরনা থিবা লাকখি। মতমদুদা ঐসু মার্সেল আর্টসতা য়াওজগে হায়দুনা জোইন তৌজখি। হান্না মার্সেল আর্টস হায়বসি করিনো হায়বসু মুন্না ঐ খঙদে। ফিফ নেসনেল গেমসকা মরী লৈননা তম্বীরকপনি। অহানবা ওইনা ঐখোয়দা থাঙগী কাংলোন কয়া তাকপীরকখিবসি জুনিয়র ওজাশিং ওজা তেজপাই, ওজা তোম্বা, ওজা নোরেন... ওজাশিং অসিননি। মথংদা তেপ্তা লৈবা অহল ওজা সনাহলনা অমুক তম্বীরকখি। থাঙসি শুম শুম তমজরকপসিদা জুনিয়র ওজাশিং অসিনা তত্তনা হায়বীরকখি, ঐখোয়গীদি ওজাসি থাক থাক য়াম্না লৈ। ঐখোয়গী ওজা সনাহলগী মথক্তা ওজা অহল অমসু লৈরি। থাঙ তম্না তম্না ওজাশিং অসিগী খোঙ্গুল লীনিংবগী ৱাখল অমসু লাকচখি। অদুনা ওজাশিং অসিগী লৈফম কোইথি থিরকখি। সাইকল অমমম তোংলগা থাঙগী ওজা থিবসু কোয়চৎ চৎলকখি। ইচে পেপে, পোরোম্পাৎ তোপ্তগী সঙ্গিতা, ঐগা ঐখোয় অহুমসি ওজাশিংনা ফুঙ্গা নোংদুম অহুম হায়রগসু খঙনবীরকখি। অকোনবদা নোংমাইজিং চিংগী ৱাখাদা ওজা অহল সাইখোম নোদিয়া মঙাং থেংনজরকখি। ওজা অহল অসিদা বোরিজরগা, থাঙগী অকুপ্পা কাংলোনশিং ঐহাক মমুৎ তানা তমজরকখি।

ৱারী মখা তারদুনা গাইজিল্লুনা হায়, অহানবদা কবুই নুপী থাঙ তম্বা য়ানি য়ারোই হায়বসিদা থওইনা ৱা ঙাঙনবসু য়াওখি। অদুবু ওজা অহল অসিনা তমগে লাকপা থৱায় য়াওবশিংদি লোয়না তম্বীগনি হায়দুনা তাকপীরকপদগী ঐহাক থাঙ তম্বা ফংজরকখি। অদুবু ঐখোয়গী ওজা অহল অসি পূক্নিং য়াম্না লুবা, হংদ্রবদি ৱা অমত্তা খুমদবা হেক হংবা ৱাহং খুদিংগীদি পাউখুম লোয়না পীবীবা অদুগুম্বা মীশক অমনি। ওজা অহলসি নুংলোন ফজনা খঙবা, চৎন-লোনচৎ থকসি-খাসিগী মতাংসিদসু ফজনা তাকপীবা ঙম্বা ওজানি। ঙসি ঐনা মীরক তিন্দুনা পুন্সি মশক খরদা ওইরবসু খঙবা ঙমজরিবসি থাঙ শান্নজরকপগী মপান্দগীনি। থাঙ শান্নবা কাঙবুগীদি থকসি-খাসি নাইবা হায়বসিসু য়াম্না দরকার ওই। ইশানসু পামজবনিনা অয়ূক ঙন্না হৌগৎলগা ৱাখা তানা সাইকলদা হঙ্গৎ হৎ দা চৎতুনা ঐহাক থাঙসি তমজরকপনি।

অদুগা, ঐখোয় কবুই নুপীদা থাঙ শান্নবসি হান্না কনা কনা শান্নরকখিবনো হায়বা তাবা লৈতে। হৌজিকসু ঐ তাদে। ঐনা থাঙ শান্নজরকপা মতমদা য়াম্না খুৎলোইনা থোকখিবগী মরম অমদি ঐহাক জগোয়সু ফজনা শাবা হৈজরকই। জগোয় হায়বসিসু খুজেংগী থবকনিনা থাঙ শান্নরকপা মতমদা য়াম্না চাশিন্নখি। ওজা অহলনা তাকপীরকপা মতমদসু থাঙ হাইবা মতমদা খূৎ লাওনা লাওনা পুগনু অদুম হায়বীরকখি। খুজেং খক্তনা শান্নৌ তাকপীরকখি। অদুগা শান্নবা মতমদসু নশাগী অরোনবা ওইনা শান্নৌ হায়বীরকখি। শো উৎননবা, কম্পিটিশন য়াওননবা অদুগুম্বা মওংদা শান্নবদি কান্নদে, নশাগী ওইনা খল্লগা শান্নৌ হায়দুনা অদুম তাকপী। কুমজা ১৯৯৮ গী দিসেম্বর ২২ দগী ২৪ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী তালকোটা ষ্টেদিয়মদা "৫ শুবা নেসনেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ" তা ইমান্নবী ময়াম অমা চৎকনি হায়বা ঐসু তারকখি। অদুদগী ওজা অহলদা ঐনা হায়জরে, ওজা অমুক্তদি ঐ শান্নবা চৎচরুগে। ইমান্নবা লম্বা চান্নবগা ফাইট তৌদুনা অমুক্তদি শান্নজরুগে। ওজানা মঙ্গলসু পীবিয়ু হায়দুনা নীজরে। মদুদা ওজানা হরাও হরাও য়াবীদুনা দেল্লিদা ইহান হানবা ওইনা থাঙ-তা শান্নবা চৎচরকখি। ঐনা অহানবা ওইনা চৎচখিবসি "৫ শুবা নেসনেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তুনি। অহানবা চৎপসিদা ঐহাক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজরকখি। মসিগী মখা তারকপদা মণিপুরনা হোষ্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা "ফিফ নেসনেল গেমস" দসু থাঙ-তাগী দেমো তৌবদা য়াওজরকখি। কুমজা ১৯৯৯ দা হরিয়ানাদা তৌখিবা "সিক্স নেসনেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তসু কেজি ৫৬.৭-৬০ গী কাঙলুপ্তা সনাগী মেদল লৌরকখি। মথং মথং মধ্য প্রদেশ অমদি ন্যু দেল্লিদা মথংশিংনা পাঙথোকখিবা তরেৎ অমসুং নীপানশুবা চেম্পিয়নশিপ্তসু সনাগী মেদল ফংবা ঙমখি।

অসুম্না য়াম্না কন্না মমিং লৈখৎলক্লবা মতাংদা অপোকপী মমা খঙহৌদনা বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা নাশিল্লকপদগী গাইজিল্লুগী শান্নবদা অপনবা ওইরকখি। মতম খরা শান্নবগী খোঙজেল তপথরুরবসু লেপ্পদি খক লৈখিদে।

-মথং-মথং



গাইজিল্লু গোলমৈ গোল্ড মেদলিষ্ট থাঙ-তা

# এঞ্জেলিগনা ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী, সানিয়া, মার্টিনানা দবলসকী ফাইনেল চঙখ্রে

ব্রিসবেন, জানুৱারি ৮ ঃ মরিশুবা সিদেদ এঞ্জেলিগ কারবরনা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা কারলা সোরেজ নাভারোবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

জর্মনগী মরিশুবা সীদ অসিনা মহাক্কী স্পানিশ রাইভেলদগী হেন্না ফগৎনা শান্নখিদুনা মিনিট ৭৫ খক চঙনা ৬-২, ৫-৩ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা তৌরম্বদগী মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা সিমোনা হালেপ, গারবিন মুগুরুসা অমদি মারিয়া শারাপোভানা ৱিথদ্রো তৌখিবদগী কারবরনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা রেঙ্কত লৈবা প্লেয়র ওইরিবনি।

মহাক্না সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ইংনা তপ্পা শান্নদুনা সোরেজ নাভারোবু নমথখি। স্পানিয়ার্দ অসিনা অঙনবা মতমদা তৌখিবা সার্বশিং সেট অনীমক্তা মায় পাকপা ঙমখিদে অমদি মেচ অদুদা চাশিন্ননা লৈনবা হোৎনখি।

ঐনা মফম অসিদা লাক্তুনা য়াল্লবা মেচশিং শান্নখ্রে হায়না কারবরনা হায়রদুনা হৌজিক ঐহাক ফাইনেলদা চঙবা ঙম্লে, মসি অফবা অমনি হায়খি।

কারবরনা থাংজ নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেল মেচতা অনীরক ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা নৎত্রগা অমেরিকান ক্বালিফায়র সমান্থা ক্রোফোর্দ অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়ন টেনিস এস সানিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী স্বিস পার্টনর মার্টিনা হিঙ্গিসনা মখা তানা মখোয়গী মশেক মঙাল থোক্লবা ফোর্ম অদু তাথবা তৌদনা মখোয়গী ২৫ শুবা মায় পাকপা ওইনা ঙসি ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেল টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে। টোপ সীদেদ ইন্দো-স্বিস দো অসিনা স্লোভাক-রুসিয়নগী অপূনবা জুরা এন্দ্রেজা ক্লেপেক অমদি অল্লা কুদ্রয়াভটসেভাবু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা সম্মিট ক্লাসকীদমক খোঙ থাংজিনখ্রে।

সানিয়া-হিঙ্গিসনা ফাইনেলদা স্পানিশ টিমি অনাবেল মেদিনা গারিগা অমদি অরান্টসা পারাসান্টোঞ্জা অমসুং জর্মন ৱাইল্ডকার্দ জুরা এঞ্জেলিগ কারবর অমদি এন্দ্রি পেটকোভিক্কা শান্নগদবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচকী ৱিন্নর অদুগা মায়োক্নদুনা টাইটলগীদমক লম্বানগনি।

হৌজিক ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱান টিম ওইরিবা সানিয়া অমদি হিঙ্গিসনা সেকেন্দ সেটতা অথিংবা শাফু খরা মায়োক্নদ্রিঙৈদা ওপনিং সেটতা মখোয়গী রাইভেলবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখি।

অনৌবা সিজন অমা হৌবা হায়বসি কৈদৌঙৈদসু অরায়বা থবক অমা নত্তে, মরু ওইনা অসিগুম্বা শিজন অসিদা মীওইখুদিংমক অনৌবা অশা অমগা লোয়ননা চঙশিন্নরিবনি। কনাগুম্বশিংনা ঐখোয়দা শিংনরি অদুগা ঐখোয়না মদু লাকহৎলি হায়না সানিয়ানা হায়খি। সানিয়া অমদি হিঙ্গিসনা মমাঙ্গী শিজন্দা টাইটল মঙা লৌখি।

ঐখোয়না অনৌবা শিজন অসিদা চাউরবা অশা অমগা লোয়না খোঙ থাংজিল্লি হায়না ঐনা খল্লি। ঐখোয়না কুমজা ২০১৫ দা তৌখিবা অদুগুম্না তৌগনি হায়বা থাজদে। ঐনা ইন্দিয়ন লীগ শান্নখি অমদি সানিয়ানা আই পি টি এল শান্নখি। মসি ঐখোয়গী রুটিন ৱার্কনি হায়না হিঙ্গিসনা হায়খি। ঐখোয়না অতোপ্পা ফাইনেল অমগীদমক মফম অসিদা চঙবা ঙম্বসি তশেংনা নুঙাইবা পোকই অমদি টাইটলসু লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

















## SCM ꯑꯦꯁ. ꯆꯥꯎꯕ ꯃꯦꯃꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯕꯣꯔꯗꯤꯡ ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
## S. CHAOBA MEMORIAL BOARDING ENGLISH SCHOOL

S. IBOHANBI SINGH
Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecturer Ram Lal Paul Hr. Sc. School

Government Recognised
Singjamei Kongba Road, Imphal East
(Near Singjamei Bridge)
ADMISSION OPEN
FROM NURSERY TO CLASS - X

Facilities:

1. Free medical care for all students by two specialist doctors from the founder's family.
2. Free monthly school tuition fee for one out of three students of the same parent.
3. Half school tuition fee for one out of two students of the same parent.
4. Free mess and tuition fee except admission fee of Class (IX),(X) talented students scoring 85% marks.
5. Free tuition fee for first & second position holders of every class scoring more than 85% marks.
6. One boarding master for every 25 (twentyfive) students with strick discipline.
7. Available Aqua guard and boiled drinking water for all students.
8. Facility for Yoga. Thang-Ta, NCC classes at the school campus.




| Border Students: | Annual Fee Structure | Monthly |
|---|---|---|
| Class | Admission | Mess |
| Pre-Nursery to Class II | Rs. 6,100 (Admission+Tuition | Rs. 2,300 |
| Class III to VII | Rs.7,900 (Admission + Tuition + Computer) | Rs. 2,500 |
| Class VIII | Rs.8,500 (Admission + Tuition + Computer) | Rs. 2,800 |
| Class IX to X | Rs.9,100 (Admission +Tuition) | Rs. 2,800 |

* No deposit systems
* No lodging charges
* No caution money

Academic Special Bonus
Free Private Tution-All Subjects for all classes

WANTED TEACHER
Bio-1, Eng-1, Rhym-1, Spoken Eng.-1
LDC with Computer -1, Security with Driver - 2
Pay - Negotiable
Date of Interview - 11/1/2015

HL-B/2806/24/11 Nov to 14/1 Jan. (Alt)